# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-10-2023)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ম্যান্মার অমসুং বঙ্গলাদেশতা লৈবা লালহৌলুশিংগা লৌতুনরগা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লান হৌনবা থবক চৎথৈ হায়বগী মরালদা মীওই অমা ঙরাং এন.আই.এনা ফারে।

২) ইম্ফালদা শান্তি রক্সাগী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী করফিউ কোমথোকপগী মতম শাংদোরক্লি, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

অমসুং

৩) আর.বি.আইনা লুপা লিশিং ২ চৎপী ওন্থোকপগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৭ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

------

এরেষ্ট (এল)ঃ ম্যান্মার অমসুং বঙ্গলাদেশতা লৈবা লালহৌলুশিংগা লৌতুনরগা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লান হৌনবা থবক চৎথৈ হায়বগী মরালদা সৈমিনলুন গাংতে কৌবা মীওই অমা ঙরাং এন.আই.এনা ফারে।

এজেন্সি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- ম্যান্মার অমসুং বঙ্গলাদেশতা বেজ তৌবা লালহৌলুপ খরনা লৈবাক অসিগী লালহৌলুপ খরগী লুচিংবশিংগা লৌতুনদুনা কাংলুপকী ওইবা ইরাং থোকহন্দুনা ভারতকী মায়োক্তা লান হৌনবা হোৎনৈ হায়বা মরালদা মীওই অদু ফাখিবনি। লৌতুনরিবা কাংবু

অদুনা নোংমৈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় লৈনবগীদমক শেল থাদৈ হায়নসু এন.আই.এগী চেরোল অদুনা পল্লি। মীওই অদু হেক ফাবগা নিউ দিল্লিদা পুদুনা জ্রিসদিক্সনেল কোর্টতা পুথোকখ্রে।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুরদগী সৈনমিনলুন গাংতে কৌবা মীওই অদু মণিপুর পুলিস অমসুং এন.আই.এগা ওরাং চথখিবা জোইন্ট ইন্তেলিজেন্স বেজ ওপরেসন অমদা ফাখিবনি। মহাক জ্ন ২২ দা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা লৈবা থোংদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইনি হায়না মণিপুরনা পুলিসনা হায়রি।

মীতিং (এল)ঃ দিল্লিদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী এম.এল.এশিংগা য়ুথ ওফ মণিপুরগা মণিপুরগা ঙরাং উন্নদুনা পুং মরিরোম ৱারী শান্নখ্রে। মসি এম.এল.এশিং অদুগা অহুন্লক শুবা উন্নবনি। উন্নবা অদুদা সরকার পায়রিবা বি.জে.পিগী এম.এল.এ ৩৮, রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বা অমসুং বিরোধিগী এম.এল.এ ৫ য়াওখি।

ডে (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ঙরাং ইরাবত নুমিৎ পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমদি থাংমৈবন্দ য়ুনাইতেদ ক্লব অনিনা পুন্না শিন্দুনা ইরাবত নুমিৎকী পালন থৌরম থাংমৈবন্দগী চৈরাউ চীংদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা য়েকবা মশক খণ্ডদোকপগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নশি হায়না ফোংদোক খি।

থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইরাবত নুমিৎকা মরী লৈননা লম-তু শেংবা অমদি উ থাবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা খেকমন য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসন্না লম-তু শেংখি।

খুরাই থাংজম মমাং লৈকাই ৱিমেন ৱেলফ্যার সোসাইতিনা ঙরাং লময়ানবা ইরাবতকী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা অমদি মৈরা থাদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

হন্দক লৈখিদ্রবা মহেরোই অনিগী ফোটোদসু লৈ কৎতুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

কার্ফিউ(এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। ককচিং জিলাদনা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি।

শঙ্কল্প (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙরাংদগী হৌদুনা চয়োল অহুম চুপা চথুগদবা শঙ্কল্প সপ্তাহ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকপগী থৌরম ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ট্রেনিং সেন্তরদা মীয়ামা য়েংখি। থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং, ভিলেজ ওথোরিতিগী মীহুৎশিং, খুলগী লুচিংবশিং অমদি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

ফুটবোল (এল)ঃ উরিষাদা ঙরাং শান্নখিবা হেরো জ়নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা তামিলনাদুবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইরে। মসিগা লোয়ননা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইবা ১০ রক শুরে। ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না মায় পাক্লবা মণিপুরগী টিমদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

বোর্দর ঃ অসাম অমসুং মেঘালয় সরকারনা মুক্রোগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা শেমখিবা জ়দিসিয়েল কম্মিসন অদুগী মহুৎতা সি.বি.আইগী মনিংতম্বা কম্মিসন অমনা মহুৎ শিন্দোকবা ৱারেপ লৌখ্রে। কেস

অদু সি.বি.আইনা মীচং মীখায় নাইদনা থিজিনবা ঙমবগীদমক গুৱাহাতি অমসুং শিল্লোং নত্তবা অতোপ্পা মফম অমদা চত্থগনি।

রাজ্য অনিগী মুখ্য মন্ত্রিশিংনা গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা মীতিন অমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। অসাম অমসুং মেঘালয় রাজ্য অনিমকা খান্দুলি এরিয়াদগী মখোয় মখোয়গী পুলিস ফোর্সশিং লৌথোকবসু ৱারেপ লৌখ্রে। হৌজিক মফম অদুদা সি.আর.পি.এফকী মীওইশিংনা ঙাক শেল্লগনি। রাজ্য অনিগী ঙমখৈগী মফম ৬ তা য়েৎনবগী ফিভম লৈরিবা অদু চহি অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবদা কোকহন্নবা হোৎননবসু নাকল অনিমকা য়ান্নখি।

নোটস ঃ রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর.বি.আই)না লুপা লিশিং ২ চৎপী ওন্থোকপগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৭ ফাওবা শাংদোকখ্রে। চেরোল অমদা আর.বি.আইনা হায়- লুপা লিশিং ২ চৎপীবু অতৈ নোটশিংদা ওন্থোকপগী হান্না পীখিবা মতমদি লোইখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি অমুক হন্না য়েংশিল্লবা তুংদা মসিগী মতম চহি অসিগী ওক্তোবর ৭ ফাওবা অমুক হন্না শাংদোকখিবনি।

বেঙ্ক ফংবা দাটাগী মতুংইন্না চহি অসিগী মে ১৯ ফাওবদা মীয়ামা শিজিন্নরিবা লুপা লিশিং ২ চৎপী অসি পুন্না লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ৫৬ লোমনি। অদুবু মমাং থাগী ২৯ ফাওবদা বেঙ্কনা খোমজিনখিবা লুপা লিশিং ২ চৎপীগী চাং অসি শুপগী লুপা কোতি লিশিং ১৪ রোমতমক ওইরি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং লৈবাক অসিগী এস্পিরেসনেল ব্লোক ৫০০ দা সঙ্কল্প সপ্তাহ হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- প্রোগ্রাম অসিগী মপুংওইবা পান্দমদি- অফবা লৈঙাক সাসন লৈহন্দুনা শিংনবা কয়া মায়োক য়াবগা লোয়ননা থল্লিবা পান্দম য়ৌবা ঙমবনি।

মহাকা হায়- প্রোগ্রাম অসিনা লৈবাক অসিগী জিলা ১১২ গী মীওই কোতি ২৫ হেনবগী পুন্সিগী থাক ৱাংখৎহনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা থৌরম অদুদা শরুক

য়াখিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগকী সেক্রেটরিশিংদা লৈবাক অসিগী শোগ্খনা লৈরিবা ব্লোক ১০০ খনগৎতুনা মফমশিং অদু চাওখৎনবা হোৎননবসু খঙহন্নখি।

ধরমেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী শিক্ষা, স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং এন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না ঙরাং নিউ দিল্লিদা নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা ভারতিয়া ভাষা উৎসব অমসুং টেকোলোজি অমদি ভারতিয়া ভাষা সম্মিৎ হৌদোকখ্রে। মসিনা মহৈ মশিং তম্বদা ভারতকী লোলশিং টেকোলোজিগী পান্থে শিজিন্নদুনা হেন্না ফগৎহল্লগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- লোল, সংস্কৃতি অমসুং সভেত্যা অহুম অসি নকবা মরী লৈনৈ। মহাকা হায়- টেকোলোজি অসি নুংঙাইনবগী পান্থেখক ওইহনবা নত্তনা লোল অমদগী লোল অমদা হন্দোকপদা লাইথোকহন্নবগী লমদসু শিজিন্নগদবনি।

তামিলগী শকাইরবা কবি অমসুং নীংতম লান্মী মহাকবি চিনাস্বামি সুব্রমনিয়া ভারতিগী মপোক নুমিৎ দিসেম্বর ১১ দা ভারতিয়া ভাষা দিবস পালন থৌরম পাঙথোকবসু সরকারনা প্রস্তাব তৌরি। থা অসিগী ২৮ দগী হৌখিবা ভারতিয়া ভাষা উৎসব দিসেম্বর ১১ দা লোইশিনগনি।

ভারতিয়া ভাশা উৎসবগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্লিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা তোঙান তোঙানবা লম অহুমদা খন্ন-নৈনগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা হায়রগদি- লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা, নিউ দিল্লিদা য়ুথ ওফ মণিপুর অমসুং মণিপুরগী এম.এল.এশিংগা উন্নখিবগী পাউ অসিগা লোয়ননা

এন.আই.এনা কুকি লালহৌবা অমা ফাখিবগী পাউ অসিনচিংবনি।

ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইনদা- জন-নেতা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম মপান লৈবাক য়াওনা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা- লায়েংলিবা মহেরোইশিংদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীখ্রে, মথৌ তারবদি মপানদা পুদুনা লায়েংগী দাইত্ব লৈঙাকা লৌগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়খিবা ৱাফম অসি ফোংলক্লি।

এন.আই.এগী লোংউপনা কুকি লালহৌবা মপী অমা তোরবুং গোবিন্দপুরদা উপলে, ফাবগা পন্থদনা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী মমায় খুমজিল্লগা দিল্লিদা পুখ্রে হায়রিবা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

এন.আই.এগী পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন পীরি। অঙাংবা মচুগী ময়েকা ইরিবা হেদলাইন অসিদা হায়রিবসি- ইন্দিয়াগী মথক্তা লান হৌবা অমদি মণিপুরদা কাংলুপকী লান থোকহনবগীদমক্তা কুকি লালহৌবা সৈমিনলুন গাংতে এন.আই.এনা ফাখ্রে।

পোকফম পাউচেদা- কাংলুপকী ইরাং শাগৎপা কুকি লালহৌবা অমগী লুচিংবা অমা এন.আই.এনা ফাখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মান্নবা পাউ ওইনা সনালৈবাক পাউচেদা- ক্বাক্তা ব্লাষ্টতা চেন্নবা কুকি অমা এন.আই.এনা ফারগা পুখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি।

এন.আই.এগী পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, শঙাই এক্সপেসকী ইদিসন অনিমক, ঈচেল এক্সপ্রেস অমসুং মণিপুর মেল হায়রিবা পাউচেশিং অসিদসু তোঙান তোঙান্না হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরক্লি।

য়ুথ ওফ মণিপুরগী পাউ অসি পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। হেদলাইনশিং অদুদি- সেন্তর অমসুং ষ্টেটনা হরাং লোইশিনবা পামদে- য়ুথ ওফ মণিপুর, মসিনা শঙাই এক্সপ্রেসকী হেদলাইননি।

পোকফমদনা- দিল্লিদা য়ুথ ওফ মণিপুরগা এম.এল.এশিংগা পুং ৪ চুপা ফম্মিন্নবদা ফল তাবা ঙমখিদ্রে হেদলাইন তৌরি। মতিক চাবা মী অমনা সি.এম

ওইবা রিজনেল পার্তি অমা শেন্নবগী ৱাফম ফাওবা তকশিনখি হায়রি হায়বসিনা সব-হেদ ওইনা পীরি।

যুথ ওফ মণিপুরনা হায়জরবসু চীফ মিনিষ্টর চৎতবদগী দিল্লিগী মীফম য়াশিন্নবা পুরক্লে হায়বা হেদলাইন অসিনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগীনি। হেদলাইন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সব-হেদলাইন অনি য়াওরি। অহানবা সব-হেদলাইন অদুদি- যুথ ওফ মণিপুরনা মীয়ামগা খুৎশমনা খোঙজং চংশিল্লগনি লাউথোকখ্রে, অনিসুবনা কোর ইসুগা মরী লৈনদবা অমসুং য়ানিংদবা ৱাফম পুখৎলকখি হায়না এম.এল.এশিংগী মাইকৈদগী দি.আই.পি.আরগী খুত্থাংদা থাদোরকখিবা ৱাফম ফোংলি।

যুথ ওফ মণিপুরগী পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদনা- তোপ তোপ্পা হেদলাইন অমা পীরি। হেদলাইন অদুদি- দি.আই.পি.আরনা থাদোরকপা চেরোলদা য়াওবা- যুথ ওফ মণিপুরগী থৌমী খরনা শুশিন্দ্রো ফুগে তৌরক্লে হায়বা পাউ অসিনি।

ইরৈবাক পাউচেদা- যুনিফাইদ কম্মান্দ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা শিন্নৌ, মহেরোই হাৎপদা চেন্নবা ফাবা ঙমদবা দি.জি.পি পাঙদবনি হায়বা পাউ অসি হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মহেরোই অনি হাৎখিবা সি.বি.আইনা কন্না থিগৎলি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব-হেদ ওইনা মহেরোইশিং শোকহনখিবশিংগীসু ইনক্বারি কন্না চত্থরি হায়না ফোংলি। হায়রিবা পাউ অসি পোকফম, সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, হুইয়েন লানপাউ, ইরৈবাক হায়রিবা পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

------